# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 31, 2019 PAGE 7




থম্বালখোংদা চথখিবা মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ফাইনেল মেটচতা বেষ্ট দিফেন্দর তাখ্রবা এস এস সিগী দল্লিয়ু ইনাওবী

থম্বালখোংদা চথখিবা মাধোপ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ফাইনেল মেটচতা বেষ্ট মিডফিল্ডর তাখ্রবা কে এস দি সিগী ঙমগৌজিং




## ইন্দিয়ানা বিরমিংহম গেমসকী বোইকোট হন্দোকখ্রে ২০২৬ নৎত্রগা ২০৩০ গী য়ুম্বু ওইনবা থৌরাংলি




*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২২ দা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংহমদা পাঙথোক্কদবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতগী সুট্টিং মশান্না লৌথোকখিবদগী ইন্দিয়ানা বোইকোট তৌগনি তৌরম্বা খোঙজং অদু হন্দোকখ্রে, গেমস অসিগী কুমজা ২০২৬ নৎত্রগা ২০৩০ গী য়ুম্বু ওইবগীদমক লৈবাক অসিনা শেম শাখ্রে।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ) গী ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০২৬ নৎত্রগা ২০৩০ দা পাঙথোক্কদবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী য়ুম্বু ওইনবগীদমক থৌরাং তৌরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) গী কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী য়ুম্বু ওইবগী প্রপোজেল অদু আই ও এনা অথুবা মতমদা কম্মনৱেল্‌থ গেমস ফেদরেসন্দা এপ্রুভেলগীদমক থারগনি। এপ্রুভেল ফংলবা মতুংদা সি জি এফকী একজিক্যুটিভ কম্মিটিদা অমুক থাগদবনি।

নীংশিংবা য়াই, কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী য়ুম্বু ওইবগী প্রপোজেল অদু সি জি এফ না মথং থাগী অঙনবা শরুক ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্লবগীদমক ইন্দিয়ান সুট্টিং ফেদরেসন্দা মমাঙগী চয়োলদা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী ওলেম্পিক স্পোর্টসকী খ্বাইদগী চাওবা বোদি আই ও এনা মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইনবগীদমক দরকার লৈবা খূদিংমক লৈঙাক্তগী লৌনবা শেম শারে। কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী ২০১০ ইদিসন লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা বিরমিংহম গেমস অসিদা শরুক য়াবগী অয়াবা পীরকপদা সি জি এফকী প্রসিদেন্ট জেম লোইস মার্টিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এনুয়েল জেনরেল বোদি মিটিংনা ইন্দিয়ানা বিরমিংহম গেমসতা শরুক য়ারগনি খঙহল্লকপদা সি জি এফ অমসুং কম্মনৱেল্‌থ স্পোর্টস মুভমেন্টকী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবসু ফোঙদোরক্লি।

## ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ‘বি’ ৱাংখৈনা ৱিন্নর ওইখ্রে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফল ইষ্টনা শীন্দুনা বেতি বচাও, বেতি পরাওগী মখাদা লংথবালদা লৈবা চুমথাং শান্নবুংদা টিম ৮ না নোক আওট বেসিসতা শরুক য়াদুনা বেতি বচাও, বেরি পরাও ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ষ্টেট লেবেল ৭ এ–সাইদ অন্দর সবেন্টিন গার্লস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু) ‘বি’ ৱাংখৈনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ ওইনা এ এম এম এ ‘এ’ অন্দ্রো অমদি ই এস য়ু ‘বি’ না শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ু ‘বি’ না এ এম এম এ ‘এ’ বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিট অনী চৎপদা ই এস য়ু ‘বি’ গী জর্সি নম্বর ৭ কে অঞ্জু চনুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থারিবা ই এস য়ু ‘বি’ না হাল্ফ মমাঙদা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা শান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখিবনা অরেম্বা তাখি।

এ এম এম এ ‘এ’ অন্দ্রোনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ই এস য়ু ‘বি’ বু লাকশিন্না শান্নখ্রবসু হাল্ফ মমাঙ ফাওবদি গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবনা কে অঞ্জুগী গোলনা ইষ্টর্ননা ১–০ দা অদুমক মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ২৫ চৎপদা ই এস য়ু ‘বি’ গী জর্সি নম্বর ৭ কে অঞ্জুনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী অতেনবা মিনিট ২ দা এ এম এম এ ‘এ’ অন্দ্রোনা ই এস য়ু ‘বি’ চপ চানা শীংনরক্তুনা শান্নরকখিবনা মিনিট ২৭ চৎপদা অন্দ্রোগী জর্সি নম্বর ১০ পি ঐচ নিরমালানা গোল অমা হন্দোকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা ই এস য়ু ‘বি’বু মায় পাকপগী লম্বীদা থিংবা ঙমখিবদে।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না পি এল এল এফ এ চুড়াচান্দপুরনা তাখি, বেষ্ট প্লেয়রনা এ এম এম এ ‘এ’ অন্দ্রোগী জর্সি নম্বর ১০ পি ঐচ নিরমলানা তাখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা ই এস য়ু ‘বি’গী জর্সি নম্বর ৫ এন গিতাঞ্জলি চনুনা তাখি । বেষ্ট গোলকিপরনা এ এম এম এ ‘এ’ অন্দ্রোগী জর্সি নম্বর ৫ সি ঐচ গিতানা তাখি অমসুং টুর্নামেন্টকী টোপ স্কোররনা ই এস য়ু ‘বি’ গী জর্সি নম্বর ৭ কে অঞ্জু চনুনা গোল ৫ চন্দুনা তাখি।

## মৈরাবনা য়ু–১৯ গী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*রাজামুন্দ্রি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) ঃ*

অন্ধ্র প্রদেশকী কোনুং রাজুমুনিদদা থা অসিগী ২৬ তগী চত্থরকপা য়োনেক্স সনরাইজ ৪৪শুবা জুনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী য়ু–১৯ গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল মণিপুরগী শান্নরোই মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী য়ু–১৯ গী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা কাঙলূপ অসিগী অহানবা সিদেদ ওইরিবা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা নাগপুরগী শান্নরোই ৯শুবা সিদেদ রোহন কুরবানি ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদগী হৌরগা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা গেম অদু মৈরাবনা ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুসু য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখ্রবা মতুং মৈরাবা লুৱাংনা ২১–১৯ দা মায় পাক্তুনা কাঙলূপ অসিগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৯ মখাগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ টাসনিম মিরনা ভিজেথা হরিসপু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৮, ২১–১৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## টেষ্ট বেটসমেনদা কোহলিনা মকোক ওইরি

*দুবাই, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা ওইনা ঙসি থাদোরকখিবা টেষ্ট বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লেঙনা লৈরি, পুজারা ৫শুবা পোজিসন্দা হন্থখ্রে।

চহী অসিগী লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পুন্না পোইন্ট ৯২৮ ফংদুনা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি। রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথনা পোইন্ট ৯১১ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি অদুগা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন কেন ৱিলিয়মসন্না পোইন্ট ৮২২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা পুন্না পোইন্ট ৭৯১ ফংদুনা হান্না লৈরম্বা পোজিসন্দগী হন্থরগা ৫শুবদা লৈখ্রে, ইন্দিয়াগী বেটসমেন অজিনক্য রহানেনা পোইন্ট ৭৫৯ দা ৭শুবদা লৈরি।

আই সি সিনা ঙসি থাদোরকখিবা টেষ্টকী বোল্লিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেসর পেট কুম্মিন্সনা পোইন্ট ৯০২ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ন্যু জিলেন্দগী বোল্লর নেল ৱেগনরনা পোইন্ট ৮৫৯ দা অনীশুবা অদুগা সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লর কাগিসো রাবদানা পোইন্ট ৮৩২ দা অহুমশুবদা লৈরি।

## এম এম এ প্রো ফাইটর, ইন্টরনেসনেল প্লেয়র রোসন ওকখ্রে




*থৌবাল, দিসেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ*

সিঙ্গাপোরদা লৈবা ইভোলভ এম এম এ না স্পোন্সর তৌদুনা ফিলিপিন্সকী মনিলাদা চহী অসিগী নবেম্বর ৮ দা পাঙথোকখিবা ৱান চেম্পিয়ন্সিপ্তা কম্বোদিয়ান শান্নরোই খোন সিচানবু আর্ম লোকতা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী মীয়ামগী মায় পুরকখিবা মণিপুর মচা এম এম এ প্রো ফাইটর, ইন্টরনেসনেল প্লেয়র মাইনাম রোসন ঙসি মণিপুর থোকলকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পোক্নফম লমদম থৌবালগী মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

রিসেপসন কম্মিটি রোসন মাইনামমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী রোসনবু হরাও তয়াম্না ওকপগী ঙসিগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এসেমব্লি কন্সিটিটুয়েন্সিগী এম এল এ ওক্রম সুর্যকুমার, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চীয়রপার্সন এ কে সনাতোম্বা, সাই ইম্ফালগী রিটায়ার্দ দিপ্যুতি দাইরেক্টর কে মাইকেল অমদি এন আই এসকী কোচ এন হেমেন্দ্রনা থোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

রোসন্না ইম্ফালগী তুলিহল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়ামনা মহাকপু তরাম্না ওক্তুনা থৌবাল তম্না নুংঙাইরবা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা পুদুনা লাকখি।

রোসন মাইনাম থৌবাল ৱাংমাতাবা শোরোক মথকতগী মাইনাম শ্যামকনহাই অমদি মাইনাম ওংবী ইবেমহলগী মচা ৪ গী মনুংদা অনীশুবা মচানি। এম এম এ ফাইট শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা রেষ্টলিং শান্নরোই অমা ওইরম্মী।

রোসন মাইনাম সিঙ্গাপোরদা লৈবা ইভোলভ এম এম এ (মিক্স মার্সিয়েল আর্টস) দা য়াবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোইনি। অমদি মণিপুরগী ওইনসু অহানবনি। চহী অসিগী নবেম্বর ৮ দা শান্নখিবা ফাইট অদুদা মহাক্না কম্বোদিয়াগী শান্নরোই খোন সিচানবু অহানবা রাউন্দগী ৩শুবা মিনিট সেকেন্স ১৯ দা আর্ম লোক তৌদুনা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা টাইটল অসি লৌরকপা ঙমখিবনি।

মীয়ামনা তরাম্না ওকপীরম্বা অমদি পূক্নিং থৌগৎপীববু হরাওজবা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা রোসন্না মতুংদা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্লবগীদমক অঙম্বা মওংদা হোৎনগনি, তুংদা হৌরক্কদবা শান্নরোই কয়াবুসু মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

রোসন মাইনাম্বু পূক্নিং থৌগৎলদুনা এম এল এ ও সুর্যকুমারনা হায়, রোসন মাইনামনা পোক্নফম লমদমখক নত্তনা ষ্টেট অসিগী অমদি ইন্দিয়াগী মায় পুরকপা ঙম্বা অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি। মতুংদসু অসিদগী হেনবা ফম্পাক য়ু এফ সিগী থাক্তা ফাওবা মায় পাক্লবা মীংচৎ পুরকপা ওইরনসু হায়না রোসনবু পূক্নিং থৌগৎখি।

## খুরাই এফ সি, ওল এফ সি (এ) উরিপোক অমদি গোল্ডন এফ সি (বি) মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (এস এন এস)ঃ*

রাইজিং নোলেজ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা খুয়াথোংদা চত্থরিবা ৫শুবা ইমা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেবেল ৪ এ–সাইদ মিনি বোইজ অন্দর ৩৫ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা খুরাই এফ সি লম্লোং, ওল এফ সি (এ) উরিপোক অমদি গোল্ডন এফ সি (বি) পেলেস কম্পাউন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা খুরাই এফ সি লম্লোং অমদি য়ু টি এল দল্লিয়ু ও এফ সি উরিপোক্না শান্নখিবা মেটচতা খুরাই এফ সিনা য়ু টি এল দল্লিয়ু ও এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা খুরাই এফ সি লম্লোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সি ঐচ রোহেন্না মিনিট ১১, ২৩ দা গোল অনী অমসুং জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ অবিনাসনা মিনিট ৭ তা চনখি। মায়থিরবা য়ু টি এল দল্লিয়ু ও এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ কিংসন্না মিনিট ১৫ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ওল এফ সি (এ) উরিপোক অমদি থাও (এ) থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা মেটচতা ওল এফ সি (এ) না থাও (এ) বু ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ওল এফ সি (এ) উরিপোক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ জি সিদ্ধর্থানা মিনিট ১৯ দা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গোল্ডন এফ সি (বি) পেলেস কম্পাউন্দ অমদি ঐচ বি এ কৈখুনা শান্নখিবা মেটচতা গোল্ডন এফ সি (বি) না ঐচ বি এ কৈখুবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা গোল্ডন এফ সিগী গোলশিং অদু য়োহেনবনা অনী অমসুং ভিক্তরনা অমা চনখি।

## ভিকাস ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওখ্রে

*বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ভিকাস কৃষ্ণন বোক্সিং ট্রাইয়েলগী কেজি ৬৯ ফাইনেল বাওট মায় পাক্তুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওবা ঙমখ্রে।

চত্থরিবা ট্রাইয়েল অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৯ গী ফাইনেল বাওটতা অনীরক ওলেম্পিক শরুক য়ারুরবা মশাগী চহী ২৬ শুরবা ভিকাস কৃষ্ণননা নেসনেল মেডালিষ্ট দুরয়োধন সিংহ নেগীবু য়ুনানিমস দিসিজন্দা মায় পাক্তুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ভিকাস কৃষ্ণন মমাঙদা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারম্বনি অদুবু মতম খরা শোক্তুনা লৈরুরবা মতুংদা অমুক হন্না শরুক য়ারকপদা ৱেঠ হন্দরক্তুনা কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকখিবনি।

ট্রাইয়েল অসিগী পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ৩ দগী ১৪ ফাওবা চাইনাগী সিটি ৱুহান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া / ওসিনিয়া ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট আসিস কুমার (কেজি ৭৫), ভেটরান সটিস কুমার (কেজি ৯১ মথক), কম্মনৱেল্‌থ গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট গৌরভ সোলানকী (কেজি ৫৭) অমসুং নমান টনৱার (কেজি ৯১) নি।

গৌরব সোলানকীনা ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭ কী ফাইনেল বাওটতা মোহমদ হুসামুদ্দিনবু মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা নমান টানৱারনা নভিন কুমারবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা থোইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, অমিত পানঘাল (কেজি ৫২) অমসুং মনিস কৌশিক (কেজি ৬৩) চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা মাঙজৌননা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি।

ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী নুপা কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি, অমিত পানঘাল, গৌরব সোলানকি, মনিস কৌশিক, ভিকাস কৃষ্ণন, আসিস কুমার, সচিন কুমার, নমান টনৱার অমসুং সটিস কুমারনি।


MSPDCL

**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur – 795001

CIN:U40101MN2013SGC008343

**NOTIFICATION**

Imphal, the 27th December, 2019

/3032 - 36

**No.14/82/2019-MSPDCL (HR)Pt-I:** In pursuance of Government letter no. 50/32(1)/2014-Power (Pt-III) dated 4th April, 2019 of the Secretariat Power Department, Government of Manipur and Office Notification no.14/82/2019-MSPDCL (HR) dated 3rd June, 2019, Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) invites applications for recruitment to the post of Assistant Manager (Electrical) as detailed below:

| Sl. No. | Name of Post | Classification | Pay Band Plus Grade Pay (in Rs.) | Total |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Manager (Elect.) | Group C | 5200-20200+2800 | 23 |

2. Details on Eligibility Criteria, Reservation, Examination Fee, information for the recruitment and the instructions for the candidates etc can be downloaded from the official website of Government of Manipur at www.manipur.gov.in and that of the company at www.mspdcl.com

Sd/-
(L. Priyokumar Singh)
Managing Director, MSPDCL

SL/B(EMINGSEL)/31 &1



COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, the 26th December, 2019

No.2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for general information to all the concerned that the phase-wise Group Discussion Session for the appointed examiners of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 in connection with techniques of evaluation of answer scripts is rescheduled on the following dates and time at the Council office, Babupara, Imphal West.

| DATE | PHASE | TIME | | SUBJECTS |
|---|---|---|---|---|
| | | From | To | |
| 16 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | English |
| | Second Phase | 12:15 p.m. | 1: 45 p.m. | Manipuri, Elective Manipuri, Alt. English, Tangkhul, Paite, Thadou-Kuki, Bengali, Gangte, Hmar, Kom, Mao-la, Mizo, Nepali, Ruangmei, Vaiphei, Zou, Hindi & Elective Hindi. |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Agriculture, Anthropology, Accountancy, Business Studies; Geography, Geology, Music, Physical Health Education & Sports, Philosophy, Psychology &Thang-Ta. |
| 17 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | Physics |
| | Second Phase | 12:15 p.m., | 1:45 p.m. | Chemistry, Home Science, |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Biology, Biotechnology & Engineering Drawing. |
| 18 – 01 – 2020 | First Phase | 10:30 a.m. | 12:00 noon | History & Education |
| | Second Phase | 12:15 p.m. | 1:45 p.m. | Economics, Political Science & Sociology. |
| | Third Phase | 2:00 p.m. | 3:30 p.m. | Mathematics, Statistics & Computer Science. |

All the concerned **Head, Assistant Head, Supervising Examiners** and appointed **Examiners** are requested to make themselves convenient to attend the Group Discussion on scheduled date in time.

Sd/-
( CH. BIREN SINGH )
Secretary, Council of Hr. Sec. Education, Manipur

SL/B/31



**‘CORRIGENDUM”**

**MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION LTD.**
**(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)**
**IMPHAL, MANIPUR.**

**Ref: NOTICE INVITING e-Tender**
**02/SE/MPHC/2019-20/313 dated 28.12.2019**

Last Date of Submission of bid 1400 hrs of 04.12.2019 published on 30th Dec.2019 should be read as **1400 hrs of 04.01.2020**.

SL/B/31


ক্রোসৱার্দ ৩৮৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | L | E | D | | D | E | E | R | | M | E | T | A |
| A | R | E | N | A | | I | S | E | E | | I | G | O | R |
| W | I | T | C | H | E | S | C | O | V | E | N | A | N | T |
| L | A | S | | | M | C | A | | E | L | I | D | E | S |
| | | | S | U | M | U | P | | I | L | O | | | |
| U | S | N | A | V | Y | S | E | A | L | A | N | T | | |
| S | W | A | L | E | | | S | N | L | | S | O | B | S |
| P | E | A | | A | L | E | | T | E | R | | N | E | O |
| S | E | C | T | | I | N | S | | | E | A | G | E | R |
| | | P | E | R | F | E | C | T | T | E | N | A | N | T |
| | | | R | U | E | | R | O | I | L | S | | | |
| S | P | I | R | I | T | | O | U | R | | | L | E | E |
| C | O | L | O | N | I | A | L | P | E | N | N | A | N | T |
| A | M | E | R | | M | I | L | E | | H | A | V | O | C |
| M | E | S | S | | E | L | S | E | | L | E | A | S | H |